# মেলোরিদগী জেসামিদা খুৎলায় পুরগা চংলকপা থিংখ্রে জেসামিদা ফুল ষ্ট্রেংথ আইআরবি পোষ্ট থম্নবা তকশিল্লগনি

-প্রেশো সিমরে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ* নাগালেন্দগী মেলোরি খুলদগী ঙাইহাক লৈতনা জেসামি খুলদা মী শিবা য়াবা নোংমৈ অমসুং খুৎশু-খুৎলায়শিং পুদুনা চংথোক চংশিন তৌবগী থবক খুদক্তগী উখুলগী এসপি না থিংজিনখ্রে। অমরোমদনা জেসামিদা মমিংতগী ওইনা লৈরিবা এসদিপিও গী ওফিস আইআরবিগী ফুল ষ্ট্রেংথদা থম্নবা হোৎনরগনি হায়না চিংঙাই কেন্দ্রগী এমএলএ শ্রী এম কে প্রেশো সিমরেনা জেসামিদা পাউমীশিংগা লোয়ননা চৎখিবা খোঙচৎ অমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখ্রে।

নাগালেন্দগী মেলোরি খুলদগী মী শিবা য়াবা খুৎশু -খুৎলায়শিং পুদুনা লাক্লগা জেসামি খুঞ্জাশিং ফাবা পুনবা অমসুং ফু চৈবগী থৌওং কয়া চখরম্বা অদুগা মরী লৈননা য়েংশিনবা চৎখিবা এমএলএ প্রেশো সিমরেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈরিবা ৱাথোক অসি করি তৌরগা ৱারোয়শিন অমা পুরকপা য়াগদগে হায়বদু য়েংশিন্নবা চিফ মিনিষ্টরনা মহাকপু থারকপনি।

সরকারগী মায়কৈদগী হন্দক থোক্লিবা ৱাথোক অসি য়াম্না লুম্না লৌই। জেসামি অমসুং মেলোরি খুল অনিগী শরুক্তা ত্রেদিসনেল বাউন্দরিগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা লৈরিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা খুদক্কী ওইনা মফম অসিদা সিআরপিসিগী ধারা ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থম্বনি। ইশু অসিগা মরী লৈননা জেসামি খুলগী ভিলেজ ওথোরিটিশিং, মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্তকী দিসি, এসপি য়াওনা মীফম পাঙথোক্লগানি। মসিদা মেলোরি খুলদগীসু মীহুৎশিং য়াওহনগনি। মসিনা নাকল অনিমক্কী ৱারোয়শিন পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

অমরোমদনা জেসামিদা মমিংতগী ওইনা এসদিপিও ওফিস মপুং ফাবা আইআরবিগী ফুল ষ্ট্রেংথ লৈহন্নবা চিফ মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা তকশিল্লগনি। আইআরবি অমসুং পুলিসকী ফুল ষ্ট্রেংথ অমা জেসামিদা থমগদৌরিবা অসি য়ুমথংনরিবা নাগালেন্দগী মেলোরি খুলগী খুঞ্জাশিং ফু -চৈনবা নত্রগা মখোয়গা মুক্লনবা নত্তে। চহি ৫০ হেন্না মেলোরি খুল অমসুং জেসামি খুল অনিগী মরক্তা ত্রেদিসনেল বাউন্দরিগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈদুনা পামদবা থৌদোকশিং মরক-মরক্তা থোক্লিবসি থিংনবা লৌখৎপা থৌরাংনি। মীয়াম্নসু নাকল অনিগী ওইনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মপুং ফাবা কোওপরেসন পীবীয়ু হায়খি। জেসামি খুলগী ভিলেজ চেয়ারমেন অতিয়ে ৱাজানা ফোঙদোকখিবদা জেসামি অমসুং মেলোরি খুলগী মরক্তা লৈরিবা ত্রেদিসনেল বাউন্দরি অসি হৌখিবা চহি ১৯২৪ দা মতমদুগী নাগা হিলসকী দিসি ডাঃ জিএস হুতমনা তোঙান তোঙান্না খায়দোক্লুনা থম্লম্লবনি। অদুম ওইনমক হৌখিবা চহি ৫০ রোম অসিদা মেলোরি খুলগী খুঞ্জাশিংনা জেসামি খুলগী ওইনা লৈরিবা তেবুনো মেলু চীংগী শরুকশিং অসি খোপচিল্লকপদগী ঙাইহাক লৈতনা ত্রেদিসনেল বাউন্দরিগী মতাংদা উংখৎনবা অসি লৈরকখিবনি।

জেসামি মীয়ামগী অপাম্বদি ১৯২৪ দা লৈরম্বা ত্রেদিসনেল বাউন্দরি অদু হৌজিকসু কায়হন্দনা থম্বা অসিনি। অহেনবা নাগালেন্দলোমদগী লৌশিনগে হায়বা নত্তে। মরম অদুনা সরকারগী মায়কৈগী হিরম অসিদা মীৎয়েং চংদুনা ত্রেদিসনেল বাউন্দরি অসি কায়হন্দনা থম্বীয়ু। লোয়ননা উখুলদা লৈরিবা ৬ শুবা এম আরগী পোষ্ট অমা লমগী চয়েৎনবা লৈরিবা তেবুনো মেলু এরিয়াদা থমদুনা জেসামি মীয়াম ঙাক শেনবীয়ু হায়খি।

অমরোমদনা এমএলএ পেশ্রো সিমরেগী খোঙচৎতুগা মরী লৈননা মমাংদা চিফ মিনিষ্টরনা জেসামিগী এসদিপিও ওফিস মনাক্তা এসবিআইগী ব্রাঞ্চ অমা হাংগনি হায়না থাজবা মফম অদুসু য়েংশিনখি।